# আই এস আর ওনা নোংমতদা সেটেলাইট ২০ পুল্লপ থাগৎতুনা পুৰাৰী শেমখ্রে



শ্রীহরিকোতা, জুন ২২ (এজেন্সী) :
ইন্দিয়ান স্পেস রিসার্স ওর্গনাইজেসন (আই এস আর ও) না ঙসি সেটলাইট ২০ থাগৎতুনা অনৌবা পুৰারি অমা শেমখ্রে।

ঙসি থাগৎখিবা সেটলাইটশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ান য়ুটিভর্সিটিগী মহৈরোইশিংনা শাবা সেটলাইট অনি অমসুং মপান লৈবাক মরিগী ১৭ য়াওখি।

অয়ুক পুং ৯:৩৫ তাবদা সটিস ধৱন স্পেস সেন্টরগী অনিশুবা লোঞ্চ পেদতগী পি এস এল ভি সী-৩৪ থাগৎখি অমসুং মিনিট ১৬ লৈরগা মালেমগী নোংথক্তা কিলোমিটর ৫০৫ ৰাংনা কার্টোসেট -২ ওর্বিটতা থমখি। মিনিট ১০গী মতুংদা অতৈ সেটলাইটশিং অদুসু মশাগী ওর্বিটতা থম্বা ঙমখি।

অহানবা ওইনা সেটলাইট ২০ থাগৎলবা মতুংদা আই এস আর ওগী চ্যের্মেন এ এস এস কিরনকুমারনা হায়খি, মপান লৈবাক্কী সেটলাইট ১৭ য়াওনা নোংমতদা ইন্দিয়ানা সেটলাইট ২০ পুল্লপ থাগৎপা ঙমখিবা অসি অচৌবা মাই পাকপা অমনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নোংমতদা সেটলাইট ২০ থাগৎপা ঙমখিবগীদমক আই এস আর ওগী সাইন্টিষ্টশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখি। ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মহাক্না হায়খি, আই এস আর ওগী সাইন্টিষ্টশিংনা শিংনবা কয়া মায়োক্নদুনা অনৌবা পুৰারী অমা শেম্বা ঙম্লে।

লৈবাক অসিগী সাইন্টিষ্টশিংনা অমুক্তসু মালেমগী মীয়ামদা ইন্দিয়াগী তৌবা ঙম্বা পুম্নমক ময়েক শেংনা উৎলে। সাইন্টিষ্টশিংনা লৈবাক অসিগী তৌবা ঙম্বা উৎথোকপগা লোয়ননা অতোপ্পা লৈবাকশিংগীশু মতেং পাংবা ঙম্লে।

পুনে অমদি চেন্নাইগী মহৈরোইশিংনা শাবা সেটলাইট অনি থাগৎপা ঙমখিবগীদমক্তসু প্রাইম মিনিষ্টরনা মহৈরোইশিংগী তৌবা ঙম্বা মগুন অদু থাগৎপা ফোংদোকখি।

সটিস ধৱন স্পেস সেন্টরগী দিরেক্টর পি কুন্নহিকৃষ্ণনা হাইখি, স্পেস সেন্টর অসিগী সাইন্টিষ্টশিংনা থাগৎখিবা সেটলাইট ২০না মীওইবা খুন্নাইদা চাউনা কান্নবা ফংহল্লগনি। কিলোগ্রাম ৭২৭.৫ লুম্বা কার্টোসেট-২ না আর্থ ওবর্জবেসনদা শিজিন্নবগা লোয়ননা সেটলাইট অসিদগী থাদোরকপা ইমেজরি মেসেজনা অর্বান অমদি রুরেলগী রোড নেটৱার্কিংদা চাউনা কান্নবা ফংহল্লগনি।

পনবা য়াবদি কুমজা ২০০৮ দা আই এস আর ওনা সেটলাইট ২০ নোংমতদা পুল্লপ থাগৎপা লৈখ্রবনি। চহি অদুগী এপ্রিল ২০ দা পি এস এল ভি- সী ৯ না রিমোট সেন্সিং সেটলাইট কার্টোসেট-২ এ বু ইন্দিয়ান মিনি সেটলাইট (আই এম এস-১) অমসুং নেনো সেটলাইট ৮গা লোইননা থাগৎখি। কুমজা ২০১৪ দা রসিয়ানা নোংমদা সেটলাইট ৩৭ পুল্লপ থাগৎপা লৈখ্রে।

ঙসি থাগৎখিবা সেটলাইটশিং অদুদি, ইন্দিয়াগী আর্ঠ ওবজার্ভেসন সেটলাইট কার্টোসেট, গুগল কম্পনিগী টেরা বেলা স্কাইসেট অমা অমসুং অতোপ্পা সেটলাইট ১৮ নি।

প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখ্রজিনসু সেটলাইট ২০ থাগৎপা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী সাইন্টিষ্টশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখি। ৱারোল অমদা মহাক্না হায়খি, শিংথানিংঙাই ওইবা মওংদা আই এস আর ও গী সাইন্টিষ্টশিংনা সেটলাইট ২০ থাগৎখিবা অদুনা মীওইবা খুন্নাইদা চাউনা কান্নবা ফংহল্লগনি।

অমরোমদা, সি পি আই এম গী জেনরেল সেক্রেটরি সিটারাম ষেচুরিনসু সাইন্টিষ্টশিংবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা হায়খি, আই এস আর ওগী সটিস ধৱন স্পেস সেন্টরদা সাইন্টিষ্টশিংনা সেটলাইট ২০ নোংমদা থাগৎপা ঙমদুনা অনৌবা পুৰারি অমা শেম্লে।

মধ্যপ্রদেস কী চীফ মিনিষ্টর সিবরাজ সিংহ চৌহান, সট্টিসঘরগী চীফ মিনিষ্টর রম্মন সিংহ অমদি লৈবাক্কী অতৈ শক্লাইরবা মীওই কয়ানসু আই এস আর ওগী সাইন্টিষ্টশিংবু নোংমদা সেটলাইট ২০ থাগৎপা ঙমখিবগীদমক থাগৎপা ফোংদোরকখি।

# এন এস জিগী মীফম মাঙওইননা ফোরেন সেক্রেটরি সিওলদা চৎখ্রে

নু্য দিল্লি, জুন ২২ (এজেন্সী) :
ন্যুক্লিয়ার সপ্লাইয়র্স গ্রুপ (এন এস জি)গী মরুওইবা মীফম অমা পাংথোক্তিঙৈগী মাঙওইননা ফোরেন সেক্রেটরি এস জয়সঙ্কর সিওল মাইকৈ পাংখ্রে।



দিপ্লোমেটিক সোর্স অমনা হায়খি, মদুদি ইন্দিয়াবু এন এস জি গী মেম্বর ওইহন্নবগী থৌরাং লৌখৎপা ওইনা ফোরেন সেক্রেটরিনা সিওলদা চৎতুনা লুচিংবা কয়াগা উন্নরুগনি।

এন এস জি গী মীফম অসিদা ইন্দিয়াবু মেম্বর ওইনা লৌশিনবা নৎত্রগা লৌশিন্দবগী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ লৌগদবা মরম্না ফোরেন সেক্রেটরিগী খোংচৎ অসি য়াম্না মরুওইনা লৌনরি।

ফোরেন সেক্রেটরিগী খোংচৎকা ইরোইননা চাইনানা হায়খ্রে মদুদি এন এস জিগী মীফমদা অনৌবা মেম্বর লৌশিনবা নৎত্রগা লৌশিনদবগী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ লৌগনি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা টাসকেন্টতা পাংথোক্কদবা এস সি ও গী মীফম অমা শরুক য়ানবগীদমক নু্য দিল্লি থাদোকখ্রে। মীফম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা চাইনাগী প্রসিদেন্ট জি জিন পিংগা উন্নদুনা ইন্দিয়াবু এন এস জি গী মেম্বর ওইহনবগী মতাংদা ৱারি শান্নগদৌরি।

পনবা য়াবদি চাইনানা ইন্দিয়াবু অনৌবা মেম্বর ওইনা লৌশিনবগী মতাংদা ৱারি শান্ননবা থোঙ লাউনা হাংদোক্তুনা থল্লি হায়না ফোংদোকপা লৈখ্রবনি।

চাইনিজ ফোরেন এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন হুৱ চুনয়িং না হায়খি, ন্যুক্লিয়র নন প্রোলিফরেসন ট্রিটি (এন পি টি) দা সাইন তৌদবা লৈবাক খুদিংমক এন এস জি গী মেম্বর ওইহন্নবগী মতাংদা ৱারি শান্ননবা থোং হাংদোক্তুনা থম্লে।

ৱাফম অসিগা ওন্না-তৈনবা মওংদা হুৱ চুনয়িং না মমাংদা হায়খিবনি মদুদি সিওলদা পাংথোক্কদৌরিবা এন এস জিগী মীফমদা এন পি টি দা সাইন তৌদবা লৈবাকশিং মেম্বর ওইনা লৌশিনবগী ৱাফম খন্নরোই।

চৈরকসিদা পাকিস্তানি প্রাইম মিনিষ্টরগী ফোরেন এফেয়র্স এদভাইজর সরতাজ অজিজনা হায়খ্রে মদুদি ইন্দিয়াবু এন এস জি গী মেম্বর ওইহনদনবা থৌরাং কয়া মাই পাক্না লৌখৎলে। এন পি টি দা সাইন তৌদবা মরম্না ইন্দিয়াবু এন এস জি গী মেম্বর ওইহনবা য়ারোই হায়বা ৱাফম অসি মালেমগী লৈবাক অয়াম্বনা মপুং ফানা শৌগৎলক্লে।

জুন ২৩ অমদি ২৪ দা মেম্বর লৈবাক ৪৮ দগী লাকপা দিপ্লোমেট ৩০০ না শরুক য়াদুনা পাংথোক্কদৌরিবা এন এস জিগী প্লিনরি মীফমদা ইন্দিয়াবু মেম্বর ওইনা লৌশিনদবগী মতাংদা ৱারেপ লৌহন্নবা হোৎনরি হায়না পাকিস্তাননা ফোংদোকপা লৈখ্রবনি। অদুবু এন এস জিগী চ্যের্মেন ওইরিবা আর্জেন্টিনাগী এম্বেসেদর রফেল গ্রোসি অমসুং সাউঠ কোরিয়া না ইন্দিয়াবু মেম্বর ওইনা লৌশিন্নবা হোৎনবদা মপুং ফানা শৌগৎলি।

হিরম অসিদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনসু শৌগৎলকপা লৈখিবা মরম্না হন্দক্কী মতাং অসিদা ইন্দিয়াবু এন এস জি গী মেম্বর ওইনা লৌশিনবা য়ানা লৈরি হায়না সোর্স অমনা ফোংদোকখি।

ৱাশিংটনগী ফিরেপ অসিগী মতাংদা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন হুৱ চুনয়িংনা হায়খি, এন পি টি দা সাইন তৌদবা লৈবাক অমত্তা এন এস জিদা য়াওহল্লোইদবনি হায়না মমাংদা য়ু এস না ফোংদোকখিবা মরম্না হন্দক্কী মতাং অসিদা ইন্দিয়াবু অনৌবা মেম্বর ওইনা লৌশিনবগী ৱাফমদা অয়াবা পীফম থোক্তে।

# অখাক অরাওনা বিহারদা মীওই ৫৭, ঝরখন্দদনা ১০ শিহনখ্রে



পট্টনা, জুন ২২ (এজেন্সী) :
হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা অখাক অরাওনা মরম ওইরদুনা বিহার অমদি ঝরখন্দদা মথংশিংনা মীওই ৫৭ অমদি ১০ শিখ্রে।

বিহার ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা হায়খি, মদুদি ষ্টেট অসিগী দিষ্টিট ১৭তা মীওই ৫৭ শিখিবগী রিপোর্ট ফংলে। পট্টনা দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা বিহটদা মীওই ৫, নৌভাটপুরদা মীওই ২ অমসুং দনাপুরদা মীওই ২ হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা শিখি।

য়ুমদা য়োকপা শা ১৩ সু অখাক অরাওনা মরম ওইরদুনা শিখি হায়রি, ৱেদর দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা হায়খি মদুদি লাক্কদৌরিবা নুমিৎ হুম্নিরোম বিহারদা নোং কন্না চুখিগনি।

ষ্টেট গভর্নমেন্টনা অখাক অরাও নংবদগী শিখ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ ৪ কম্পেনসেসন পীরগনি হায়না ফোঙদোকখি। মীয়ামবু অখাক অরাওগী মতাংদা ৱাখল তাহনবগ লোইননা খুদোংথিবা নংহন্দনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলগনি হায়নসু গভর্নমেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট অসিদা নোং কন্না চুরকপা য়াবগী ফিভম লৈবা মরম্না মীপুম খুদিংমক চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা ওফিসলশিংনা খংহনখিবগা লোয়ননা অৱাবা তারকপা মতমদা মতেং পাংনবগীদমক মরি লৈনবা ওফিসলশিংনা মথৌ তাবা থৌরাংশিং লৌখৎপা লোইখ্রে।

অখাক অরাও নংবদগী মী শিখিবা ষ্টেট অসিগী অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদি নলন্দা, পুর্নিয়া, কাইমুর, রোহতাস, সরসা, কাটিহার, বুকসার, সমষ্টিপুর, মুজাফরপুর, মুঙ্গের, ভোজপুর, মাধেপুরা, কিসনগঞ্জ, ঔরঙ্গবাদ অমসুং সরন্দনি।

অমরোমদা নোং কন্না চুবদগী উট্টরপ্রদেসকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ৪০ শিখ্রে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে। ওফিসলশিংনা হায়খি, য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ষ্টেট অসিগী মফম অয়াম্বদা নোং কন্না চুখিবগা লোয়ননা অখাক অরাওগী থৌদোক থোকখি।

ভরানাসি অমসুং অজমগর দিভিজনদা মীওই ২৪ শিখিবগা লোয়ননা ভষ্টি অমসুং গোরখপুর দিভিজনদনা মীওই ১১ শিখি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, অখাক অরাও নংবদগী কানপুরদা মীওই ৩ অমসুং লখনৌদনা মীওই ৪ শিখি।

নোং কন্না চুবা অমসুং অখাক অরাওগা মরি লৈননা মী শিখিবা অতৈ মফমশিংদি বালিয়াদা মীওই ৮, ঘাজিপুরদা ৬, জোনপুরদা ৩, মাউদ ২, সোনভদ্রাদা ১, অজমগরদা ১, চন্দোলিদা ১ অমসুং ভরানাসিদা ১ নি।

সিদার্থনগরগী ভরৱালিয়া খুঙ্গংদা মীওই ৩ অখাক অরাওনা পানবদগী শোকখি। মহারাজগঞ্জ, দিওরা অমদি কুসিনগরদনা মথংশিংনা মীওই ১, ২ অমসুং ৪ শিখি হায়রি।

ওফিসলশিংনা হায়খি মদুদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা অৱাবা তারবা মফমদা মতেং পাংবগী থবক পায়খৎখিবগা লোইননা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা কম্পেনসেসন পীনবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, মমাং থাদসু ৱেষ্ট বেঙ্গলদা অখাক অরাওনা মরম ওইরদুনা মীওই ৭ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ১২ অশোক অপন নংবা লৈখ্রবনি।

মালদাগী সুপ্রিনটেন্দন্ট ওফ পুলিস সয়দ ৱকর রাজানা হায়খি, রাতুৱাগী কাহাল খুঙ্গংদা অখাক অরাওনা মরম ওইরদুনা লবুক্তা থবক শুরম্বা মীওই ২ শিখি। হরিসচন্দ্রপুর এরিয়াদসু মীওই ২ অখাক অরাওনা মরম ওইরদুনা শিখি হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট অমনা হায়খি, মদুদি মালদাদ নোং কন্না চুরকখিবগা লোয়ননা মফম কয়াদা অখাক অরাওনা মীওই ৮ অশোক অপন নংহনখি।

# পথানকোটতা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে



চান্দিগর, জুন ২২ (এজেন্সী) :
হৌখিবা জনুৱারি ২ দা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুরকখিবা পথানকোটকী এয়রবেজ মনাক্তা খুৎলাই পায়বা মীওই খরা লোৎতুনা লৈরে হায়না পার্লিয়ামেন্টতরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি (পি এস সী) ওন হোম এফেয়র্সনা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ঙসি মফম অদুগী অকোয়বদা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে।

ৱেষ্টর্ন এয়র কমান্দগী শরুক অমা ওইরিবা পথানকোট এয়র বেজ মনাক্তা টেররিষ্ট খরা লোৎতুনা লৈরে হায়না খুঞ্জাশিংনা পাও পিরকখ্রবা মতুংদা থিবা হুম্বগী থবক অদু চথখিবনি।

পথানকোটকী সিনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস রাকেস কাওসালনা হায়খি, ঙসি অয়ুক পুলিস পার্সনেল ৩০০ রোমনা পথানকোটকী অকোইবদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা টেররিষ্ট অমত্তা লৈরম্বগী খুদম ফংখিদে।

অয়ুক পুং ৬ তগী ৯ ফাওবা অকলগর, বেল্লি মহন্তা, ফটেগর, নোসেরা, নলবন্দা, নাওসেরা কোলোনি, হেমা অমসুং ঘারোতাদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা চিংননীংঙাই ওইবা মীওই অমৎতা থেংনখিদে।

ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি এজেন্সি অমত্তনা পথানকোট মনাক্কী খুঙ্গংশিংদা টেররিষ্ট লৈবগী পাউ পিরকখিদবা মরম্না পী এস সি গী চ্যেরমেননা পীরকখিবা পাও অদু চিংননিংঙাই ওই।

সোর্স অমনা হায়খি মদুদি টেররিষ্টশিং লোৎতুনা লৈরম্বা য়াই হায়না চিংনবা পথানকোট এয়র বেজ মনাক্কী খাংপোকশংশিংদা অমম্মতা ওইনা চংলগা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা চিংননিংঙাই ওইবা মীওই অমৎতা থেংনখিদে।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা জনুৱারি ২ দা টেররিষ্টশিংনা এয়রবেজদা এটেক চথুরকখিবগী থৌদোক অদুদা মীচম ৬, হোম গার্দ ৩ অমসুং পুলিস ওফিসার ১ শিখি। মীচম ১০ অমসুং সিক্যুরিটি পার্সনেল ৭না অশোক অপন নংখিবনি।

কুমজা ২০১৫ গী জুলাই ২৭ তনা দিনা নগর পুলিস ষ্টেসনদা খুৎলাই মতিক চান্না পায়বা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুরকপদা মীচম ৩ অমসুং সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ১ য়াওনা পুলিস পার্সনেল ৪ শিখি। থৌদোক অদুদা মীওই ১৫ শু অশোক অপন নংখিবনি।

পঞ্জাবকী পথানকোট অমদি গুরদাসপুর দিষ্ট্রিক্টতা টেররিষ্টশিংনা মতম কয়াগী মমাংদগী এটেক চথনবা হোৎনদুনা লাকখি। কুমজা ২০১৫ দসু হায়রিবা দিষ্ট্রিক্ট ২ অসিদা পাকিস্টান লোমদগী চংলকপা টেররিষ্টশিংনা অনিরক হন্না এটেক চথুরকপা লৈখ্রবনি।

# মীখল মমাঙদা উট্টরপ্রদেসকী মিনিষ্ট্রি চাওথোক্লগনি



লখনৌ, জুন ২২ (এজেন্সী) :
মথং চহিদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনা মাঙওইননা উট্টর প্রদেসকী চীফ মিনিষ্টর অখিলেস ষাদবনা জুন ২৭তা মহাক্কী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর্স হোংদোক হোংজিন তৌগদৌরি।

রাজ ভবনদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়খি, মদুদি নৌনা মিনিষ্টর ওইগদৌরিবা মীওইশিংবু জুন ২৭তা গভর্নর রাম নাইকনা থবক পায়বা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌগনি।

কুমজা ২০১২ দা সমাজৱাদি পার্টিনা মীখলদা মায় পাকপদগী অখিলেস ষাদবনা চীফ মিনিষ্টর ওইখ্রবা মতুংদা হন্দক্কী অসিনা ৭লক শুবা মিনিষ্ট্রি চাওথোকপগী থৌরাংনি।

ইকোন কোনবা ওইনা মমাং চহিগী ওক্তোবর ৩১ দা ষাদবনা কেবিনেট মিনিষ্টর ৫, ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ পুবা ষ্টেট মিনিষ্টর ৮ অমসুং মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ৮ হাপচিন্দুনা মিনিষ্ট্রি চাওথোকহনখিবনি। মতম খরগী মমাংদগী ষ্টেট অসিদা কাওন্সিল ওফ মিনিষ্টরস চাওথোকহল্লগনি হায়না মাইকৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লদুনা লাকখিবনি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সেনিয়র মিনিষ্টরস বলরাম ষাদবপু মিনিষ্ট্রিদগী লৌথোকখিবগা লোয়ননা মুখতার অন্সারিগী ক্বামি এক্তা দলনা সমাজৱাদি পার্টিদা পুন্সিনখ্রবা মতুংদা হৌজিক হৌজিক মিনিষ্টর ৪গী ফম হাংদুনা লৈরি। উট্টরপ্রদেসতা চীফ মিনিষ্টর থারগা পুন্না মিনিষ্টর ৬০ লৈবা য়াই।

পনবা য়াবদি, মমাং চহিগী ওক্তোবরদসু অনৌবা মিনিষ্টর ১৫ হাপচিনখিবগা লোয়ননা অখিলেস ষাদবনা লুচিংবা কান্সিল ওফ মিনিষ্টরস চাওথোকহনবা লৈখ্রবনি।

# ত্রাইবেল পার্টিনা ত্বিপ্রালেন্দগী দিমান্দ তৌরদুনা লম্বী থিংখ্রে

অগরটলা, জুন ২২ (এজেন্সী) :
ইন্দিজিনস পিপলস ফ্রন্ট ওফ ত্রিপুরা (আই পি এফ টি) না তোখাইবা হোমলেন্দ অমা তাল্লদুনা নেসনেল হায়ৱে ৪৪ থিংবগী খোঙজং চঙশিনখিবদগী ষ্টেট অসিগা অতৈ অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা ফাওনবগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বি অসিদা চাওনা অপনবা থোকখ্রে।

ষ্টেট অসিগী মীশিং য়ামদবা ত্রাইবেল মীয়ামগী তোকখায়বা হোমলেন্দ অমা তাল্লদুনা আই পি এফ টিনা লম্বি থিংবগী খোঙজং অদু চংশিনখিবনি। খোঙজং অদুবু শৌগৎলদুনা রিজনেল পার্টি অসিবু শৌগৎপা মীওই কয়ানা অগরতলা অমদি সিলচরগী মরক্তা লৈবা রেলৱে ত্রেক্টশিং থিংখিবদগী ত্রেন অমত্তা চেনবা য়াখিদে। অদুবু ষ্টেট অসিগী মফম অমত্তদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোকখিবগী পাও লৈতে হায়রি।

আই পি এফ টিগী প্রসিদেন্ট নরেন্দ্রা দেব ব্রম্মানা লুচিংবা মীওই কয়ানা নেসনেল হায়ৱে ৪৪ থিঙখিবগা লোয়ননা মরুওইবা লম্বি কয়াসু থিঙখিবদগী চৎথোক চৎশিনদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্ন খি হায়রি।

মমাংদসু সি পি আই (এম) অমদি গনা মুক্তি পরিসদ (জি এম পি) না তোকখাইবা ষ্টেট তানবগী খোঙজং অসিগী মায়োক্তা হায়ৱে থিংবগী খোঙজং চংশিনবা লৈখ্রবনি।

অদুম ওইনমক আই পি এফ টি না ঙসি খোঙজং চংশিনখিবা অদুদা সি পি আই (এম) অমদি জি এম পি গী মীওইশিংনা অথিংবা পীনবা হোৎনখিদে।

ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (লো এন্দ ওর্দর) অনুরাগ না হায়খি, মদুদি হায়ৱেগী মরুওইবা মফমশিংদা ত্রিপুরা ষ্টেট রাইফলস (টি এস আর), সী আর পি এফ অমসুং আর্মদ পুলিসকী পার্সনেলশিংনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোকহন্দনবা হোৎনখি।

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN - FOUNDATION COURSE FOR CLASS I to X Starts 16th June 2016
Class XI & XII (COHSEM & CBSE) Starts 23rd June 2016 Limited Seat Time - 4:30 pm to 7:30 pm

1st Position (2016)
Sohana Laishram



I feel a heavenly delight in achieving such a wonderful feat. I sincerely thank Angels' Coaching Centre for their constant guidance and support. The study materials they provided and the frequent mock tests were of immense help to me. No doubt, Angels' Coaching Centre is an unparalled coaching centre in Manipur.
— Sohana Laishram

3rd Position (2016)
M. Vasundhara



My achievements uptil this stage of my life would not have been possible without the support of my teachers. And, I would, especially, like to thank the faculty of the Angels' Coaching Centre. Had it not been for their support and encouragement, I would never have made it thus far. Angels' is a wonderful institute and it is an honour to have been under the guidance of such wonderful teachers.
- Maibam Vasundhara.

BOARDING FOR BOYS & GIRLS
VAN SERVICE AVAILABLE
9856988840
8732022342

HL-B/3106/May, 1,3,5,7,9,11,13,15,17,19,21,23 June

ৎৈংআপ্পোং/ লায়েংজরি UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থৱক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোকশাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3123/3/06-2/07